# সেনিয়র সিটিজনশিংগী ত্রিপুরা খোঙচৎ

মোহোনচন্দ্র কোঞ্জেংবম

**হৌখিবা** কুমজা ২০১৭কী দিসেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ৮ লোম তাবদা সেনিয়র সিটিজন্স ফোর সোসাইটি, মণিপুর মোইরাং এ সী চেপ্টরগী মেম্বরশিংগী ত্রিপুরা খোঙচৎ অমা পি সরতচন্দ্র, এম এল এনা লমথাবিখি। লোয়নননা পি সরতচন্দ্রনা ত্রিপুরা খোঙচৎকী মতেং ওইনবা লুপা ৩০,০০০সু খূৎশিন্নরকখি। মমল য়াম্লবা শেলগী মতেং পাঙবীরকপগীদমক পি সরতচন্দ্রবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি। মীওই ৪৫ রোম তোংবা বস অমদা চৎপা খোঙচৎ অসি ত্রিপুরাদা মতম শাংনা খুন্দা লৈতাদুনা লৈখ্রবা মীতৈ ইপা-ইপুশিংগী খোঙ্গুল লীবা খোঙচৎনি। নুংঙাইরবা খোঙচৎ অমা ওইখি পুন্সিগী তাঙ্কক অমদা। লেপ্তুনা অসুম লাকপনা নুমিদাং পুং ৬ লোম তাবা মতমদা জিরিবামদা থুংখি। মাঙজৌননা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী দি সী অমদি এস সীগা পাউ ফাওনবা মরম্না মফমদু হেক য়ৌবদা এস পি মশা লৈরমদ্রবসু আর কে চার্লেস, এস দি পি ও অমদি অজিৎকুমার শর্ম্মা, ও সী অনীনা সেনিয়র সিটিজনশিংবু তরাম্না ওকপীদুনা ষ্টেট গেষ্ট হাওসনচিংবা মফমদা থন্বীদুনা য়াম্না চাউনা মতেং পাঙবীখি। ওফিসর অনীগী তেংবাঙ লোয়নননা দি সী অমদি এস পিনচিংবগী তৌবিমলবু ত্রিপুরা খোঙচৎকী মেম্বরশিংনা কৈদৌনুংদা কাউররোইদবা নীংশিং খুদম অমা ওইনা লৈহৌরনি। নুমিদাং পুং ৮ লোম তাশিল্লক্লে। ঐখোয়গী পুজারি অদুসু চাক এঙ্গাং থোংবদা য়াম্না হৈ-শিংবা মীশকনি। নুমিদাংগী চাকলেন অদুগী মথেলসু ফনা য়ামই। লাম্না চাবনরা এঙ্গাং মথেলশিংদুগী মহাওদো ওন্থোক্লা হাওখ্রে। অহিংদু হৌখিবা খঙহৌদে। অয়ূক পুং ৩ লোম তারকপদা ময়ামদো হৌনবা নাইদে, হৌগৎনদুনা কৌনবা হৌনরকখি। দিসেম্বর ১৬কী অয়ূকনি। পুং ৬ লোম তাবদা ময়ামদো জিরিবাম পুলিস ষ্টেসন তম্না লাকখি। খুদক্তা ও সীনা লুচিংবা পুলিস টিম অমনা ঐখোয়বু অসামগী বোর্দর চ্যেক পোষ্ট ফাওবা থিন্দোকপীরকখি। জিরিবামগী পুলিসশিংনা সেনিয়র সিটিজনশিংগীদমক মমল নাইদ্রবা মতেং পাঙবীরকখিবগীদমক খোঙচৎতুদা য়াওখিবা মীওই খুদিংমক্না ঙমখৈ লৈতনা মিদিয়াগী খূত্থাংদা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

চৎলিবা খোঙচৎতুনা লেপ্তুনা লাকপনা অসামগী ঙমখৈ তুংওইনরকখি। ত্রিপুরাগী ঙমখৈ হেক লানশিল্লকপদা ত্রিপুরা য়ৌরে হায়বসি লম্বী মপান্দা থেৎলিবা সাইন বোর্দনা তাকপদগী কদক-কদক লাওনা চৎলম্বদগী জিরি-জিরি লাওনা তোংলিবা বসনা চেল্লকপা লম্বী অদুনা হেন্না ত্রিপুরাবু মশক তাকচৈ। কয়াদা খেন্নরিবা অসাম অমদি মণিপুরগা। খুঙ্গংগী মতাইদগী ত্রিপুরাগী কোনুং অগরটালা সহর মনুং ফাওবা লম্বীশিং অদু শিৎ নাল্লি। লম্বীগী নাক য়েত্তা ফত্ত-হৌদি অমত্তা তাবা উদে। থোইনা ৱাংদবা চীং অমদি শাংলবা চীংনুং ফাওদুনা চেল্লকপা বসনা তম্পাক তারক্তুনা অগরটালা সহর য়ৌবা ফাওবা ইলেক্ট্রিক্কী মৈ মুৎপা থেংনদে। অসুম লেপ্তুনা লাকপদা সিক্যুরিটি পার্সনেল অমফাওবা লম্বী মপান্দা লেপ্লুনা লৈবা উদে। বস মনুংদা তোংলিবশিংনা হায়নৈ করিনো ত্রিপুরাসিবু সিক্যুরিটি পার্সনেল অমত্তা লৈতবা জাৎলা? লম্বী মপান্দা নৎত্রগা ঐখোয়না ঙাইহাক চা থকপা চঙলুবা হোটেল মনুংদসু ৱারেম ঙাঙদুনা লৈবা মীওই অমত্তা থেংনদে। চা থক্লম্বা লৈরগসু থকপা হেক লোইবগা হৌগৎতুনা তুমিন্না চৎনখি। মীচম মীয়ামসি য়াম্না ৱাখল তাবা, শুবা-নোম্বা কনবা, মথৌ মশক খঙবা অমদি মতম মাঙহন্দবা মীনা অয়াম্বা ওইনা উই। মদুনা মরম ওইদুনা ঙসি ত্রিপুরানা ইন্দিয়াগী মনুংদা খ্বাইদগী লাইরিক লাইশু হৈবগী চাং ৱাংবা ষ্টেট ওইরি।

লমশাং লাকপা বসতো নুমিৎ তারকপদা অগরটালা সহর মনুং চঙলকখি। সেনিয়র সিটিজনশিংগা খোঙবু ওইনা লাকমিন্নবা অগরটালাদা লৈহৌগদবা নুপী অমনা মখোয়গী মরী মতাশিংদা মাঙজৌননা পাউ পীনবদগী ৱাই নবিন কৌবা অমনা লুচিংবা টিম অমনা ঐখোয়বু অগরটালা সহর চঙলকপগী মচিন্দা ওল্লমই। অহিংদুমা নবিন্না মতেং পাঙবীবদগী হোটেল অমদা অফংবা ফমুং খরদা ময়ামদো চন্ন-চন্নবা শিন্নদুনা লেনখি। নোং হেক ঙাল্লকপদা ঐখোয় পূন্নমক নবিন্না লমজিংদুনা অগরটালা সহরগী মতাইদা লৈবা মীতৈ ময়াম তাবা টালটোলা কৌবা মফম অমদা পুরকখি। মফমদু হেক য়ৌবদা লৈরম্লিবা অহল-লমন, ইমা-ইবেল, ইচল-ইচেশিংদু উবদা কয়াগী মতিক নুংঙাইখিবা, হরাউজখিবা, মতম কুইনা যূম থাদোক্লুরবা তুংদা হল্লকপগুম। ঐখোয় ময়াম হেক থুংলবদা লৈরম্লিবশিংদুনা কয়াদা হরাউজবা।

তোঙান তোঙানবা ঈচেল অনীনা ঈতিনফম অমদা পুল্লপ-পুল্লবগা পাঙ্খক ওইরে মদুগী নুমিৎতো। লৈরম্লিবশিংদুগী যূমলৈ-কৈরৈ, চৎনলোন, ৱাঙাঙ-শঙাঙ, লাইনীং-লাইশোন, শুমাংদা তুলসি পাম্বী থাদুনা পুজা তৌবনচিংবা পূন্নমক য়েংলুরগা ঐখোয়গা মখোয়গা খেন্নরিবসি লৈফম মান্নদবা খকনি। ত্রিপুরাদা মীতৈনা তাবা মফম ৩০মুক লৈ হায়। অদুবু লাইবক থীবদি চৎলিবা খোঙচৎতু অহলনা অয়াম্বা ওইবনা মতম শাংথনা লৈবগী খুদোংচাদবা লৈবদগী তেনশিনখিবনি। অয়ূক পুং ১০ রোম তারকপদা মফমদুগী মীওই ময়াম চঙলক্তুনা ঐখোয়গীদমক ঙা মথেল অমা য়াওনা চাক্লেন অমা পীজরকখি। চাক থোংবদি ঐখোয়না পুজরকপা পুজারিনা থোংলমই। পুজারিসিদি চাক থোংবদা মমিং লৈজবা মীনি। মহাক্লবু থোংলবদি হেক্তা মহাওরে। মসিসু মহাক্কী তোপ তোপ্পা গুণ অমনি।

চাকমাঙদা মফমদুদা ঐখোয়গা লোয়নজরকপা পেনা শকপা ওজানা 'খম্বনা কাও ফাবগী' ঈশৈ মতেক অমা তিল্লিবা সভাগী মাঙদা থৌগল তৌরমই। পেনা শকপা ওজানগা লৈশি-লৈথোনবা হৈবনে - ঈশৈদো কয়াগী মতিক নুংঙাইরে। খম্বনা কাও ফাবগী মতাং ঈশৈদো - খম্বা মশামক চোঙথোরক্তুনা খুদক্তা কাওদুমক ফাগদৌগুমই। ঈশৈদো নুংঙাইমনখিদুনা অতাবা মীয়ামনা পুং অমরোমখক ঈশৈ শকপদা থানখিবা পৈশাসি অঙকপনি। ঈশৈদো তাবদা লমদমদুগী মীয়াম্না কয়াগী মতিক পেঞ্জবা, নুংঙাইজবা। অদুবু নুংঙাইবসি কুইবা য়াদে হায়নবগুম ময়াম পূন্না চারবা মতুং নুংথিল পুং ৩ লোম তাবদা তালটোলাগী নুংশিজরবা ইচিন-ইনাও, অহল-লমন, ইচে-ইচল পূন্নমক পুকমেন পাউমেন্নরম্লগা **শ্রী জগনাথ জিউ টেম্পল**গীমক খোঙশাল্লকখি। জগনাথকী লাইশঙদু য়েংবদা চীং লেমই, নীংথিজে। অয়ূক অঙনবদগী নুমিৎ তাবা ফাওবা দর্শন তৌবা ভক্তশিং অতৎ-অখম লৈতনা লাকই। ভক্তশিংনা শরিক কাংসি খিংবগা ইরোয়নবা জগনাথ লাইশঙগী মাঙদা লাইশোন ঈশৈ শক্লে। থোইদোক্লা নুংঙাইরিবদি লমদমদুগী ভক্তশিংগী মরক্তা ঐখোয়গী কৃষ্ণ ভক্তা কুমাম অমুয়াইমনা চঙশিন্দুনা লাইশোন ঈশৈ শকপা য়াওশিল্লমই। অমুয়াইমগী থৱায় য়াওবা মতৌদু উবদা পেল্লদুনা লৈরম্লিবা ভক্তশিংদুনা মখোয়না পায়রম্বা মাইক্রোফোন্দু অমুয়াইমদা শিন্নদুনা লাইশোন ঈশৈদু শকহনবদুনি ঙক্লিবদি। মী মীগী তৌবা ঙম্বা গুণসি থবক্লা তাকই। অহিংদুমা ময়ামদো লুপা ৩০০০ পীরগা জগনাথ মন্দিরদা য়াম্না নুংঙাইনা পোত্থানরমই। 'দুবু ইশামক্তি তূম্বা চাবা য়ারমদে। নুমিদাংদো ত্রিপুরাগী কোনুং 'উজয়ন্ত' য়েংলুবদা নুংথিল পুং ৪ রোম তাবদা। মতম অমদা ত্রিপুরী ফুরুপনা মতিক মঙাল লৈনা পাল্লম্বা ত্রিপুরা, ঙসিনা মীশিং য়ামজদবা ত্রিপুরী ফুরুপনা সহরগী মতাই অমদি চীংনুং মানুংদা ৱানা লেল্লিবা পুন্সি মহিং কয়াদা পিদোন্না শোয়খিবা থৌশিল লোয়নননা খোঙথাং অমদগী চেকশিলহৌদবা মীকুপ্তা! ঙসিনা ত্রিপুরী ফুরুপ্তা তাবা দষা! হয়েংগীদমক মণিপুরী ফুরুপনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌবা- মতম লৈরিঙৈদা!



শ্রী জগনাথ জিউ টেম্পল



রেষ্ট হাওস নিরমহল

তশেংবদি ত্রিপুরাগী কোনুংদু য়েংবদা চীং লেম্মী, নিংথিজৈ। অদুবু মীৎয়েংসি মী খুদিংগী খেন্নে। কনাগুম্বনা ফজখ্রেদা কোনুংসে, কনাগুম্বনা কোনুংদু উরগা ত্রিপুরী ফুরুপনা লৈখা তাখিবগী অৱাবা ফাওবা। নাকল অমরোমদা টাজমহলগী ফজবা উরগা নুংশিনবগী খুদোলনি হায়না শৈথাদুনা শৈশক্লরি, কনাগুম্বনা টাজমহল উরগা পিরাং শিন্থরি - মরমদি টাজমহল শাবদা মীওই লিশীং কয়াগী পুন্সি পিখম্নখিবশিংদুগী খল্লুবদা। অদুম ওইনমক ত্রিপুরাগী কোনুং শিংথাবদা লোইবা নাইরোই- কোনুংদু য়াম্না চাউ শাংই অদুগী মথক্তা কোনুং কমপ্লেক্স অদু য়াম্না পাক চাউখ্রে। কোনুং য়েংবা লাকপসি অতৎ-অখম লৈতে। অসুম্না ময়ামদো নুমিৎ তারকপদগী জগনাথ মন্দিরদা হল্লক্তুনা পোত্থানখিবনি।

নোং ঙাল্লকপগী অয়ূক পুং ৮ লোম তাবদা ঐখোয়বু গাইদ তৌরিবা বিপ্লুপনা রুদ্র সাগর ময়ায়দা লৈরিবা **রেষ্ট হাওস নিরমহল** তম্না পুরমই। পাৎ ময়ায়দা লৈরিবা রেষ্ট হাওসদু য়েংবদা নীংথিজৈ। নিরমহল য়েংবা লোইরগা মফমদুদা অয়ূক্কী চাক্লেন চারগা ঙাইহাক পোত্থানরমই।

নুংথিল পুং ২ রোম তাবা মতমদা অগরটালাগা তাইনবা ইন্দো-বংলাদেশ বোর্দরগীমক খোঙশাল্লি। নুংথিল পুং ৩.৪০ রোম তাবদা মফমদু য়ৌরমই। থোইনা হেন্না নুংঙাইরিবদি লৈবাক অসিমক্কী সিফাইশিংনা নুমিৎ তারকপদা মতম মান্ননা মাগী মাগী ফুরুপকী ফিরাল চিংথনবগী থৌরমদা মার্চ পাষ্ট সেলুট পীনবগী কুম্মৈদু য়েংবদা অদুক্কী মতিক নীংথিজৈ লোয়নননা য়েংবদা নুংঙাইবদুনি। কুম্মৈদু লোইরবা তুংদা ঐখোয়গী গাইদ বিপ্লুপপু বিদাই পীরম্লগা নুমিদাংগী পুং ৬ লোম তারকপদা শিলচরগীদমক ত্রিপুরা থাদোরকখি। নোংঙাল্লকপা দিসেম্বর ১৯গী নুংথিল পুং ২ রোম তাবা মতমদা শিলচরদা থুংলখি। ঙাইহাক পোত্থানরবা তুংদা ময়ামদো পুং ২ রোম মার্কেটিংগীদমক শিলচর বজার তম্না চৎনখি। নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ লোম তাবদা ঐখোয় জিরিবামগীদমক অমুক খোঙশাল্লি। লেপ্তুনা লাকপনা নুমিদাং পুং ৮ লোম তাবদা জিরিবামদা থুংখি। ময়ামদু লমশাং লাকপগী ৱাবনা তূমথনখিবদো খঙহৌদে নোংঙানবা। যূম য়ৌনীংবগী ঈখৌ লাংলবা ময়ামদো অয়ূক পুং ৬ লোম তাবদা জিরিবাম থাদোক্তুনা ইম্ফাল মায়কৈ পাঙলকখি। খোঙচৎকী অরোইবা নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৭ লোম তাবদা মোইরাংদা থুংখি। লাকমিন্নবা ময়ামদো কায়নবগী বিদাই পীনরগা ময়ূম মায়কৈ পাঙনখি। তেল্লবা নুমিৎ ৬নিগী ত্রিপুরা খোঙচৎসু লোইশিনখি। তৌবদদি ত্রিপুরাদা হৌজিক ওইহৌরিবা খুন্নাইগী থাক অদু মণিপুরদা য়ৌবদা চহী ফনা য়াম্না চঙখিগনি হায়নৈ চৎলুবা ময়াম্না। মরমদি মফম অদুদা শান্তি লৈনা, ঈংনা-চিক্লা, তংদু লৈতানা পানবা খুন্নাই অমা ওইরি, মণিপুরদদি কদাই?

---

# কোংবা ক্ষেত্রি গঙ্গাপাৎকী ফীভম ফৎত্রবা রিং বন্দ

মোইরাংথেম নরান

**ইম্ফাল** সিটিদগী খ্বাইদগী নকপা লৌকোল হায়বা তারবদি লৌ পরি ১৫ রোম চাউবা কোংবা নোংথোনবম লৈকায় অমসুং কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায় অনীগী মরক্তা লৈরিবা কোংবা ক্ষেত্রি গঙ্গাপাৎ অসিনি হায়বা য়াই। হৌজিক লৈরিবা রিং বন্দ অসি চহী ৪০ মুক্কী মমাঙদা লৈকায়গী অহলশিং অমদি লৈকায়গী শেমগৎ শাগৎপদা থৱায় য়াওরিবশিংনা মশাগী পাঙ্গল অমদি শেল খায়নরগা থোনখিবনি । অদুবু অৱাবদি অসুক কুইরবা, মণিপুরগী শেমগৎ-শাগৎপা অমদি চাওখৎ-থৌরাং কয়া পায়খৎখ্রবসু মরী লৈনবা ওথোরিটি অমতনা হন্না য়েংবীরমদবা অসিনি। মসিগীদমক্তা লৈকায়শিংসিদা লৈরিবা মীয়ামদা নত্তনা লৌকোলসিগী লৌমীশিংদা পেন্দবা, ৱারৌবা কয়া য়াওনরে।

কুমজা ২০১৭কী চহী তরামুকসিগী মনুংদা খুদোংথিবা থোকপা কুম হায়বদু ওইখি। জন্যুৱারীদগী নোং তারকপনা নবেম্বর ফাওবা নোং মরাং কায়না তাখি। মসিগী মনুংদা খ্বাইদগী লৌমীশিংদা অৱাবা নংখিবদি জুলাই থাদা ঈশিং চাউখিবসিনি। জুন থা অমসুং মদুগী লোইরমদাইদা ফৌ মরূ তাদনা ফৌ হৌনরবা মতমনি। অসুম্না ৱানা হোৎনদুনা ফৌ হৌরবা মতমদুদা ঈচাউ থোকপা অসি অতোংবা ফৌফমদদি করিসু থোইনা অকায়বা থোক্তব্রসু গঙ্গাপাৎকুম্বা য়াম্না কুৎপা লৌফমদদি তুরেলগী ঈশিংনা হন্থদ্রগদি ঈশিং চেন্থোকফম লৈতবা লৌফমদদি থোইদোক্লা অৱাবগী মশকনি। জুলাই ১০গী অদুৱাইদগী নোং তারকপনা জুলাই ১৫ অসি তম্পাক্কী মফম অয়াম্বা ঈশিং ঈচাউদুনা (খরা কুৎপা) লৌফম অয়াম্বা ঈশিং থুমদুনা লৌমীশিং অৱাবনা কোক্তা খূৎ হাপ্পা হায়বা মতমদু ওইখিবনি। (গঙ্গাপাৎ অসিসু অকুৎপা লৌফমশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবনি) অসুম্না গঙ্গাপাৎ লৌকোন অসি ঈচাউনা নুমিৎ ১০নি হেন্না ঈশিংগী ঈপাক অমগুম্না লৈখ্রবদা ফৌ হিংখিগনি হায়বা ৱাখল থাদোক্লখি। মরম অসিদগী মণিপুর লৈঙাক্লা সেন্তরদা পাউ পীবদগী জুলাই ১৫দা সেন্তরগী টিম অমা লাক্তুনা ইকায়খুম্নজরিবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগা লোয়নননা হেলিকোপ্টরনা তম্পাক্কী ঈচাউ থোক্লিবা মফমশিং য়াওনা গঙ্গাপাৎ য়েংবিখি। [N.B. ইশাসু মীয়ামগী নুমিৎ থোকপনা সী এমদা লাইম এন্দ সিমেন্ট ফেক্টরি অমসুং ইকায়খুম্নজরিবা ফোরেষ্ট মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারদনা হান্না লৈরম্বা রিজার্ভ ফোরেষ্ট শেমগৎপা অমসুং রিজার্ভ ফোরেষ্টকী খুনগা চয়েৎনবা লৈবা অসিদা নত্তনা নৌনা দিষ্ট্রিক্ট ওইরবশিংদা রিজার্ভ ফোরেষ্ট শেমগৎপীনবা, মদুতা নত্তনা তম্পাক্কী মনুংদা লৈরিবা অনক্লাস ফোরেষ্টশিংদসু উ নৎত্রগা ৱা থাদুনা গ্রিন লেন্দ অমা শেমগৎতুনা শা-উচেক্কী লৈফম ওইনবা, ঈশিং ঈচাউ করম্না থিংগনি নৎত্রগা করম্না সোল্ব তৌগদগে হায়বগী লমায় ৭ পানবা সজেসন অমা অমদি ইকায়খুম্নজরিবা ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টরদা পেপর এন্দ টি ইন্দষ্ট্রি লীংখৎনবা মেমোরেন্দম অমা জুন ১৫, মীয়ামগী নুমিৎতা পীজখি। অসুম্না গঙ্গাপাৎকী অৱাবা তারিবা (লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মতেংসু পীরকখিদবনা) লৌমীশিংনা লৈজবী থাক্তা হোৎনদুনা অঙম্বা দোনেসন খরা খরা লৌমী মেম্বরশিংদগী তৌজরগা পম্প অমনা পুং ২৪ নুমিৎ মরিনিরোম লেপ্তুনা ঈশিং চিংদুনা (ঈশিংনা খরা খরা ময়েং তারকপগা ইরোইননা পল্লিসু খরা খরা য়ান্থবা, লৈরিবা উকুসু মমায় হাংদোক্তুনা) হোৎনজবদগী গঙ্গাপাৎকী ঈমায় চোল্লবা লৌকোন নুমিৎ ৬নিগী মনুংদা ঈশিং পূন্নমক চিংথোকপা লোইরদুনা নোংঙানবদগী সফোই থিন্দুনা অমুক হন্না খোইদুনা শেম-শাবা তৌদুনা অমুক হন্না লৌ পান্নবা হোৎনরকখি। অদুবু লৈঙাক্নদি ফৌদি অমসুং লৌহোন পীগনি হায়না লাউথোকখি। অদুবু তম্পাক্তা শিরিবা লৌ ময়াম অসি শুংশোয় শোয়দনা ফংগনি হায়বগী অকক্লবা লৈতবনা, লৌ শিদবা, অনকপা অমসুং অরাপ্পা থিদনা লৌদবু পাল্লবদি হায়না মপুন্দা ১৫/২০ ফাওবা পীদুনা ৱানা পানখিবনি। অৱাবদি অসুক ৱানা লৌ অনীরক হন্না পাল্লবা ফাওবা লৌ শিরিবা লৌফমদা হকথেংননা য়েংবিরখিদবা অসিনি।

অতোপ্পা অমনা, এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা পীবিখিবা ফৌদি MTU1010 অসি গঙ্গাপাৎতা দিরেক্টরনা পীবিদুনা থাবা য়াওনখি। লাইবক থীবদি হান্না লৌ শিখিবগী অৱাবা পোৎলুম অমা ননখ্রবা মতুংদা অমুক হন্না হুল্লগা পানবা লৌফম খরা গঙ্গাপাত্তা য়াওই অদুবু ফৌদা হার নিংথিনা হাপ্তুনা চাউরবদা নত্তনা শাৎলবা ফাওবা জন্যুৱারী য়ৌরবা ফাওবা ফৌ মরূ চংদদুনা অমুক্কা হন্না অৱাবা পোৎলুম অমা থাঙ্গৎপীরে। মসি গঙ্গাপাত্তা নত্তনা দিপার্টমেন্টসিনা MTU1010 অসামদগী লৌরবা ভেরাইটি মখল অসিমদি ফৌ মরূ চঙবা ঙমদবা মখলনি। মরম অসিনা এগ্রি দিপার্টমেন্টনা অশোয়বা ফৌদি পীবিখিবা লৌফমশিং অসি অখন্নবা পেকেজ অমা পীফম থোকই হায়জনীংই। মরম অসিনা অসিগুম্বা ফৌ থারিবা লৌমীশিংদগী দরখাষ্ট কৌরগা নৎত্রগা দিষ্ট্রিক্ট পুরিবা ওফিসরনা লৌফমশিং অসি খোয়নবা মৈ থাদোক্ত্রিঙৈদা স্পোট ইনক্বারি তৌরগা মতেং খরা পীবা চুমগনি হায়জরি। [N.B. লৈঙাক্তগী অখন্নবা মতেংমক ফংদ্রবসু গঙ্গাপাৎ লৌকোনগী ঈশিং চিংথোক্লবা থাও লৈবগী বামোন কম্পু গ্রাম পঞ্চায়টকী জিলা পরিষদনা লুপা ২০০০ মতেং পীবিরকখি। মসিগীমক্তা গঙ্গাপাৎ লৌমী লূপনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি]।

গঙ্গাপাতা ঈশিং থুমদুনা ফৌ শিখিবগী মরম:- গঙ্গাপাৎ লৌকোন য়াম্না কুৎপা লৌকোলনি। মরম অসিনা কোংবা তুরেলনা ঈমাই হন্থখ্রবা মতুংদা তপ্না তপ্না ঈশিং চেন্থোকপনি; অদুবু কুমসি অসি অয়াম্বা মতমদা তুরেলগী ঈমাই ৱাংদুনা লৈবনা লৌকোল অসি হেন্না অৱাবা মায়োক্নখিবনি। মতম শাংনা আই এফ সী দি নৎত্রগা গ্রাম পঞ্চায়টনসু রিং বন্দ অমদি উকুনচিংবা য়েংশিনবীরকখিদবনা মরম ওইরগা রিং বন্দ অসি ঈশিং পাথোরকপা অমসুং মসিদা পাল্লিবা উকু অনী অসি অরিবা (ফত্তবা) ওইবনা ঈশিং চঙশিল্লকপদা নত্তনা পল্লিদা যুবা য়াওই। মসিনা মরম ওইদুনা লৌকোন অসি মহৌশাগী পাৎ ওইরম্বা ফীভমদুমক ওইখি হায়বা য়াই। মরম অসিনা হৌজিক তুংগী অশানবা মীৎয়েং অমগা লোয়নননা রিং বন্দ মতেক অসি পাকথোক চাউথোকহল্লগা ত্রেক্টর নৎত্রগা মখোঙ পানবা পম্প অচৌবা পুথোক পুশিন য়ানবা শেন্বীরগা কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায় অমসুং নোংথোনবম লৈকায় অনীগী কম্যুনিকেসন খুদোংচাদ্রিবা অসি কোক্লবা ইকায়খুম্নজরিবা এম এল এ অমদি মন্ত্রিনা অৱাবা নংলিবা অসি অথুবা মতমদা নোং তাদ্রিঙৈদা শেন্বীরক্কনি থাজে।

হৈকু থোং অমসুং গঙ্গাপাৎ তুরেল মরীন্দা ৱেটলেন্দ শেম্বা :- হৈকু থোং অমসুং গঙ্গাপাৎকী তুরেল অসিগী অপাকপা অসি চাউরাক্লা ফিট ৮০গুম্বা ওইগনি। মসি মহৌশানা পীরম্বনি হায়বা য়াই। মসি লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীদুনা রিং বন্দগী মথৌ তারবদি মসিগীদমক অতোপ্পদগী লৈবাক লৌরগা থোনবগী মথৌ তারোই। নাকল অনীগী লম্বী খাকহৌরগা খোংনুংগী শরুক অসি খরা লুনা তৌথোক্লগা লৈবাক্লা পল্লি থোল্লগা ঈশিং য়োক্তুনা থম্বা য়াই। অদু ওইরগদি গঙ্গাপাৎ অমসুং কৈখু মনিংগী লৌকোন অনীমক খরিফ অমসুং রবি অনীমক্তা ঈশিং ৱাৎলক্লবা মতমদা শীজিন্নবদা লৌকোন অনীসিগী য়াম্না কান্নবা অমা ওইগনি।

কোংবা খুনৌগী দাম ঈশিং যুবদগী মায়কৈ অশোমগী লৌমী অমসুং মীয়ামগী অৱাবা :- কোংবা খুনৌগী দাম অসি চহী কুইরবা অমদি ওল্ড মোদেল ওইরবনা ঈশিং চাউরকপা মতমদা দাম অসি ঈশিং যুদুনা মতিক চানা কান্নবা ঙমদ্রে। মসিনা মরম ওইরগা ঈশিং চাউরকপা মতমদা তাখোক, লাইরেনপাৎ অমদি গঙ্গাপাত্তা নত্তনা অকোয়বদা লৈরিবা লৈকায় অমদি লৌকোনশিং ইতৎ তত্তনা ঈশিং থুমদুনা ঈচাউগী অৱাবা নংহল্লি। মরম অসিনা ইকায়খুম্নজরিবা এম এল এ অমদি পি দল্লিয়ু দিগী মন্ত্রি ওইবিরিবা টি ঐচ বিস্বজিৎনা চহী খুদিংগী ঈশিং ঈচাউনা লৌ-শীং অমদি লন-থুম কয়া মাঙহল্লিবা অসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকীসু ইনর্জেটিক ওইরিবা অমদি (চীং-তম অনীমক্তা) লৌমী অমদি মীয়ামগী শেমগৎ শাগৎপদা মাঙজিল থানা হোৎনবিরিবা মন্ত্রিনা মথক্তা পঞ্জখিবা মথৌ তারবা থবকশিং অসি মতম চারিঙৈদা য়েংশিনবীদুনা এক্সন লৌখৎপীবা অমদি খুনৌ দামদগী গঙ্গাপাৎ তুরেল মরীন অসিসু ঈশিং চেন্থোকপদা করি অকায়বা য়াওরিবগে হায়বা অসিসু অথুবা মতমদা য়েংশিনবীরক্কনি হায়না মায়কৈ অসোমগী মীয়াম্না থাজবা থমজরি।





## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৪

১। মখাদা পীরিবা ৱাহৈ অনীসি অরিবা চেংলৈ ৱাহৈনি/মসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু :
(ক) কায়নৌ (খ) মমোইরেং।

২। "নোংপোক কোরৌ খোঙথাফম/ভারতকী শমজী লংদাইফম/প্রকৃতিগী নুংঙাইবা শান্নফম।" পরেংশিং অসি 'ইরৈবাক' কৌবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। কবিদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "তাও! মীকপ মীরাউখোলসে/অসুক নুংঙাইরবা মীৎকুপসিদা/অমুক্তা তাওনে, নঙবু।" পরেংশিং অসিনা কবি প্রহ্লাদ শর্ম্মগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। মণিপুরী সাহিত্যদা বাইওগ্রাফী ইবা অহানবা নুপীদি থোইবী দেবীনি। মানা ইরম্বা বাইওগ্রাফী অদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "কোহিন্নুরগী মশাইগোন্দা" কৌবা লমকোয় ৱারীদুগী অইবা কনানো? মমিং হায়য়ু।

**মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জান্যুৱারী ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।**